# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ ক্বা-মনা পান্বী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**ক্বা-মনা** পান্বীগী হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি শুগাইনা ইরবদি কনাগুম্বা খরনদি থাজবিরোই হায়না খল্লি মদুদি ক্বা-মনা পান্বীদা হীদাক্কী ওইনা মগুণশিং অসুক য়াম্না য়াওবরা হায়না। ক্বা-মনা পান্বী অসি ঙসিদগী চহী ২০০০ রোমগী মমাঙদগী শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। শ্রী লঙ্কাদদি ক্বা-মনা পান্বীগী মরমদা য়াম্না লিরবা পালী লোন্দা ইবা মহাভাসমা (Mahavasma) হায়রিবা লাইরিক অদুদা ঐখোয়না থেংনরি। ক্বা-মনা পান্বী অসি হিন্দিদা পান-পতা (Pan-Patta), ইংলিসতা বেটেল লিফ (Betel leaf), বোটানিকেল নংত্রগা সাইন্টিফিক ওইবা মমিংদা *পাইপর বেটল (Piper betle Linn.)* হায়না কৌই অমসুং উচিথী পান্বীগী শাগৈ হায়বদি *পাইপরেসী (Piperaceae)* গী মনুং চল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না ক্বা-মনা পান্বী অসি ময়ায় অমসুং নোংপোক থংবা মলেসিয়া (Malaysia) গী লমদমশিংদগী হৌরকখিদুনা খরা শারপ তৌবা এসিয়াগী ট্রোপিকেলগী লমদমশিংদা শন্দোকখিদুনা কাইনথংদা মাদাগাসকর (Madagascar) অমসুং নোংপোক থংবা অফ্রিকাগী লমদমশিংদা পাক শন্না শন্দোকখি। ইন্দিয়াগী মনুংদা ক্বা-মনা পান্বী য়াম্না পাক শন্না থাবা মফমশিংদি টামিল নাদু, মধ্য প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গোল, ওরিষা, মহারাষ্ট্রা, উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারনি। অৱাং নোংপোক ভারতকী মনুংদা আসাম অমসুং ত্রিপুরাদা ক্বা মনা পান্বী অসি চুশিন্ননা থাবগী মথক্তা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু খরা শারপ তৌবা জিরিগী লমদমদসু থোইদোক্না থাবদা চান্নে। ভারতকী মফম কয়ামরুমদা মরুওইনা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদদি মখোয়গী ময়ূমদা কনাগুম্বা অতিথি অমা লাকপদা ক্বা মতপ অমা পীজদুনা ইকায়খুম্নবা উৎনৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না ক্বা মনা পান্বীদা য়াওবা মচলশিংদি - ঈশিং মনিলগী চাংনা চাদা ৮৫.৪, প্রোটিন চাদা ৩.১, ফেট চাদা ০.৮, মিনরেলস চাদা ২.৩, ফাইবর চাদা ২.৩, কার্বোহাইদ্রেট চাদা ৬.১ অসিনচিংবনি। মসিগী মথক্তা কেলসিয়ম, কেরোটিন (Carotene), থিয়ামিন (Thiamine), রাইবোফ্লেভিন (Riboflavin), নিয়াসিন (Niacin), ভিটামিন সী (Vitamin C) অসিগীসু মথক্তা এরাকিন (Arakene) হায়রিবা কোকেন (Cocaine) গী মগুন য়াওবা এলকালোইদ অসিসু য়াওই।



ক্বা-মনা অসি য়াম্না লীরবা মতমদগী হীদাক ওইনা পুক নুংশিৎ কাবা, ঈ থোকপা খকহনবা অমসুং নুপী-নুপাগী ফন্বী ফগৎহন্নবা শীজিন্নরক্লি। ঈশিং য়াফম তৌবদা ক্বা-মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু শঙ্গোমদা নৈখায়রগা চিনি খরদং তুমহল্লগা শেন্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অনীগী চাংদা পীথকপদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবগী পাউদমশিং লৈ। শীংলি-নাওরি মপাঙ্গল য়াম্না শোন্থরক্লবদি ক্বা-মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুদা খোইহিগা চাং মান্ননা য়ানশিন্নরগা চামচ অমগী চাংদা নোংমদা অনীরক পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। খোইরাই কোকচিকপদা (Migraine) ক্বা-মনা শুগাইরগা লাইবক্তা থোম্বদা ফহনবা ঙমগনি। লোক তোয়না থুংলবদি ক্বা-মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদুদা অচা-থুম খরদং তুমহল্লগা পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। অঙাং অমসুং অহলশিংনা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা অমসুং থবাক খেবদদি ক্বা-মনা অদু হঙ্গাম থাওদা হাপ্তুনা তপ্না মৈ থাদুনা লোল্লগা লৌবা মহী অদুনা থবাক্তা চাং নাইনা তৈদুনা কুইরবা মতমদগী লায়েংলক্লি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা অমাংবা য়ৈখৎতুনা খোং হামদোকপা ঙমদ্রবদি ক্বা-মনাগী মখোক অদু কেগে মরুগী অশাবা থাও অদুদা ঙাইহাক লুপ্পগা অমাংথোংদা ঙাইহাক নমশিন্দুনা থম্বদা য়াম্না থুনা খোঙ অদু হামদোকহনবা ঙম্মী। খৌনাও শাবা অমদি পোমখৎলবদি ক্বা-মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা নোংমদা ৩লক চয়োল অমরোম চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। ক্বা-মনাগী মহৈ অদু শুগাইরগা খোইহি খরগা পীজবদা লোক খেবা অমদি শ্বর ফুনগৎপা অদুদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি। নুপাগী ফিনুংগী শরুক (Penis) অদু য়াম্না শাবা অমদি ঙাংশিল্লক্লবদি হায়বদি ওর্কিটিস (Orchitis) নারবদি ক্বা-মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা তৈবিবা য়াই। তাং চাওথোক্তুনা চীকপা নাবা তৌবদসু হায়রিবা মহী অদু চাং নাইনা তৈবদা কান্নবা ফল ফংগনি। অশোক-অপন অমসুং অপোম-অতং তৌবদা ক্বা-মনা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবা অমদি পোপলি-পোপলি শুগাইরবা মনা অদুনা বেন্দেজ অমগুম্না পুনশিনবিগনি অমসুং মসিনা অনাবা অদু থুনা নাই চাহল্লগা চিংথোকখিদুনা অনাবা অদু থুনা ফহল্লি। য়া চিকপদসু ক্বা-মনা মখোক অদু অচাকপা মৈতালদা শাহল্লগা থোম্বদা অনাবা অদু হন্থহনগনি।

---

# সঙাই ফেষ্টিবেল অমসুং মণিপুর টুরিজম

সী সী মঙানলৈমা

মণিপুরদা 'সঙাই'গী মীংদা ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোকপসি য়াম্নমক মরম চাবা অমনি হায়বদা লাল্লোই। মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদ্রবা লমলক্কী নিংথিজরবা শা মখল অসিগী মীংদা মণিপুরবু মশক তাক্লবা অমসুং লম কোয়বা মীওইশিংদা মণিপুরগী ফজরবা মহৌশাগী ওইবা মফমশিং অমদি মচু কয়ানা লৈতেংলবা খুন্নাইগী শক্তমবু উহন্নবা মসিনা পান্থে অমা ওইহল্লিবা অসি য়াম্না ফবা অমনি। মসিনা ষ্টেট অসিগী টুরিজম সেক্টরদা খরদা ওইরবসু কান্নবা পীগনি হায়বসিসু তাবদা নুংঙাইবা ৱাফম অমনি। অদুবু ফেষ্টিবেল অসিনা মণিপুরবু মশক তাকপদা তশেংনা মতেং পাঙলব্রা নৎত্রগা ফেষ্টিবেল অসি লোইরবা মতুংদা মণিপুরদা কয়া য়াম্না মদুগী মহয়না মীরৈবাক্কী নৎত্রগা মেইনলেন্দ ইন্দিয়াদগী লম কোয়বশিং চঙলক্লবগে হায়বদুদি হংবা য়াবা ৱাহং অমা হৌজিকসু ওইরি। মরম অদুনা ৱাহং অসিগী পাউখুম মণিপুরগী লৈঙাক অসিনা খুম্বা ঙম্নবগীদমক মতমগা চুনবা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা মফমশিংগা চান্নবা টুরিজমগী থৌশিল অমা শেম্বা হায়বসি মথৌ তারকপনা সেন্তরগা হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্না চুংশিন্নবা অমা মথৌ তারি।

সঙাই হায়বা লমলক্কী শা মখল অসি মহৌশানা ফুমদিদা লৈবনা হেন্না হৈনজবনা, মালেমগী মফম কদায়দা ফুমদি মরাং কায়না লৈবগে নৎত্রগা খূৎশেমগী ফুমদি শেমগৎপা ঙম্বা লৈবাকশিং লৈবগে হায়বসিসু থিদোক্তুনা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি। তশেংনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মসিদা পূক্নিং চঙলবদি অমসুং মণিপুরদা ফংলিবা শা মখল অসি মখোয়গী মরল (প্রোপর্টিস) নি হায়না খনবা ঙল্লবদি চিনানা পান্দা বিয়রবু য়ু এস এ অমদি জপানগা মরুপ শান্নবদা দিপ্লোমেটিক্কী মচল অমা ওইনা শীজিন্নখিবা অদুগুম্না ইন্দিয়ানা 'সঙাই দিপ্লোমেসি' তৌদুনা শা অসিবু লৈপাক কয়াদা দিপ্লোমেসিগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরবদি, মসিবু মশক খঙহনবতা নত্তনা শা মখল অসি মালেমদা খুদোল তম্বা লমদম অমা মণিপুরনা ওইগনি। মসিনা মণিপুরগী মমিংসু মালেমগী লৈবাক কয়ানা খঙনবা হেনগৎলকপদা নত্তনা শা অসিগী চাক্তাফম ওইরিবা মুখরল্লিবা 'কৈবুল লমজাও'বুসু মিৎয়েং থম্নরক্কনি। অদুবু লাইবক থিবদি সঙাইগী লৈফম ওইরিবা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী লম ওইবসু মানবা, ওইদবসু মানবা ফীভম অমদা লৈবা মরম্না শা অসিগী পুন্সিরোলদা ইন্দিয়ানা থোইদোক-হেন্দোকপা মিৎয়েং থম্নদ্রি। করিগুম্বা সঙাইনা গুজরাটতা নত্তনা অমেথিদা নৎত্রগা মেনকা গান্ধীগী পোক্লফম দেল্লিদা শাফোংলম্বা ওইরম্লবদি, মরাইবক ফবা খ্বাইদগী অতাঙবা শা মখলশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা মালেমদা 'পান্দা' গুম মমিং ফাওরমগনি।

মণিপুরদা সঙাই খক্তনত্তনা মখল মখা কয়াগী লমলক্তা হৌবা ফজরবা লৈপান কয়া লৈরি, মখোয়গী মনুংদা 'সিরোই লিলি' না মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদবা লৈনি হায়না শকখঙনদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা মাগী মীংদা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। মসিনা লৈ অসিবু মালেমদা হেন্না মশক তাকপদা নত্তনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদসু চাউনা মরী লৈনহল্লকই হায়বসিসু অশেংবনি। মসি নত্তবা লৈপাল কয়া চীংনুংগী হঞ্জিনবা মফমশিংদা উরৈ ওইনা নৎত্রগা লৈবাক্তা হৌদুনা লৈরি। হৌজিক মখোয়বু পুথোক্তুনা খোঙহাম্পাৎতা থেন্দুনা থল্লিবা মখল খরা অসিনদি লম কোয়বশিংগী মিৎয়েংফম ওইহনবা ঙম্নদনা লৈরি। অদুবু বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না, য়াম্না তাঙনা ফংবা অমদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা মখলশিং য়াওনা মণিপুরদা ফংলিবা ওর্কিদ মখল ৪৫০ রোম অসি পুথোক্লগা ইম্ফালগী অকোয়বদা থারিবা উপাল-ৱাপালশিংদা নপ্তুনা নৎত্রগা মফম মফম শেমদুনা থারগা শাৎহনবা ঙল্লবদি, লৈপাল শাৎপা মতমদা মালেমগী মীওই কয়া মদুগীদমক য়েংবা কোয়রক্কনি। জপানদসু চেরি ব্লোজম মতমদা মশীং থিঙমদ্রবা লম কোয়বা কয়া মসিবু য়েংবা লাক্তুনা লৈবাক্কী শেল থুমগী ফীভমদা অসুক্কী মতিক চাউনা কান্নবা পী। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইম্ফাল সিটিবু ফজহন্নবা হোৎনবদা হায়রিবা ওর্কিদশিং অসিনা নপ্তুনা হিংবা ঙম্বা উ কয়া থাদুনা হৈকোল-লৈকোলগী সিটি অমা ওইনা শেমগৎপদা পান্দম থল্লবদি মালেমদা তোপ তোপ্পা সিটি অমা ইম্ফালবু ওইহন্দুনা লমকোয়বশিংগী পাম্নবা মফম অমা ওইরক্কনি। মসিগীদমক কা হেন্না মতম অমদি থৌরাং চঙগদবসু নত্তে। চিনাদদি সিটি ময়ায়দা জঙ্গল অমা শেম্বদা চহী অমা-অনীখক্তমক চঙই অদুগা লৈকোল অমা শেম্বদসু থা অমা-অনীতমক চঙই। মদুগী লৌশিং অদু ঐখোয়গী হোর্টিকলচরিষ্টশিংনা কূপ্না থিজিনহনবদা খঙলোইদবগী মরম লৈতে।

অনীশুবদা, মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি অৱাং নোংপোক ইথং থংবা শরুক্তা লৈবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা ঙমখৈগী ষ্টেটনি, মসিনা ইন্দিয়াগা কংফাল লম্বীদা চৎথোক চৎশিন ম্যান্মারগা তৌনবদা খ্বাইদগী খুদোংচাবা মফম হৌজিক ওইরি। অদুগীসু মথক্তা মণিপুররোম থংবা শরুক্তা লৈরিবা মোরে টাউন অসি য়াম্না লিরবা ললোন-ইতিক্কী মফম অমা ওইনা ম্যান্মারগী তমুগা শম্নৈ। তমুদি মতমগী মতুং ইন্না শেমগৎলক্তুনা ফজরবা মফম অমা ওইখ্রে হায়বা য়াই। কুমজা ২০৩০গী মতমদদি তমু অসি ম্যান্মারগী খ্বাইদগী ফজবা বোর্দর সিটি অমা ওইরক্কনি হায়না থাজনরি। ম্যান্মারদগী লাকপা দিপ্লোমেটশিংনা ঙসিগী মোরে অসি উরগা চিনা অমসুং থাইলেন্দগী বোর্দরদা লৈবা ঙমখৈগী টাউনশিংগা চাংদম্নবদা ইন্দিয়ারোমগী ঙমখৈদদি মখোয়না হেল্লে হায়না চাওথোক্লে। মসি তশেংনমকসু অচুম্বা অমনি, মরমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লৈরিবা চিনাগী রুলিং অমসুং থাইলেন্দগী Mae-sot কা চাংদম্নরুবদা মোরে অসি অসুক্কী মতিক খেন্নখ্রে। মরম অসিদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা করম্বা মওংদা মোরেবু শেমগৎকনি অমসুং মসিদা ইন্দিয়াগী মিৎয়েং করম্না চঙশিনগনি হায়বদু থিজিন্দুনা টাউন অসিবু টুরিজমগী মফম অমা ওইহনবতা নত্তনা মণিপুরগী শেল-থুম ফগৎহনবদা মসিবু পান্থে অমা ওইহন্নবা মিৎয়েং চঙবা তাই।

মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইরিবা ভুটান্না ইন্দিয়াখক্তগী লম্বীদা মখোয়গী মিৎয়েং থম্বনা মখোয়গী শেন থুমগী ফীভম অমদি লৈবাক ঙাকপগী থৌরাং খুদিংমক ইন্দিয়াগা লৈনবা মরীগী মখা পোলহল্লি। Landlocked Country অমদা মায়কৈ অমখক্তগী লম্বীদা লৈবাক্কী নুংঙাই য়াইফনা হিংবগী থৌরাং খুদিংমক লৈহনবা হায়বসি মশানা মীপাল তাংলুরিবা লৈবাক অদুগী থৌজাল মখাদা হিংবা তাবনি। করিগুম্বা মণিপুরনা ম্যান্মাররোমগী মায়কৈ অসিদা অকনবা মিৎয়েং থমহৌদ্রবদি মশানা ইন্দিয়াখক্তদগী লাকপা পোৎলমশিংনা হিংবা লমদম অমা ওইরক্কনি। করিগুম্বা মীওই খরনা মণিপুর অসি ইন্দিয়া য়াওদনা হিংবা ঙল্লোই হায়দুনা পাওথোক্লিবসি মসিনা নমদুনা চুমহল্লকপসু য়াই। মসি ইন্দিয়ানসু খঙই অমসুং মোরে, তমুগী ললোন ইতিক অমদি লম্বীগী ফীভম অসি ইচাও চাওখৎহন্দনা থল্লিবা অসিসু মরম অমা ওইগনি। মসিদা নত্তনা মরম চাদবা বন্দ, ব্লোকেদ কয়া মোরে অমদি মসিগী লম্বীদা তৌবদা ইন্দিয়ানা য়েংশিন্নদনা লৈরিবা অসি মণিপুরনা মশা মতোমতা হিংজনবগী ফীভম লাকপা ঙমদনবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংনা মসিগী খুদোংচাবা অসি মুন্নবা হোৎনবদা নাকোয়ননা মতেং পাংলিবা অমসুনি। চহী খরগী মমাঙদা শিলোংদা তৌখিবা কনফরেন্স অমদা ম্যান্মারগী দেলিগেট অমনা মোরেদা লৈরিবা বন্দ, ব্লোকেদকী ফীভম অসি কা হেন্না ফৎচিল্লক্তুরবদি অতোপ্পা য়ূমথংনবা ষ্টেট অমদা লৈবাক অনীগী ললোন ইতিক্কী মফম অসি হোংবা য়াবগী ফীভম ফোঙদোকখ্রবনি। মরম অসিদগী মোরেবু ষ্টেট অসিগী মরুওইবা মফম অমা ওইহনবা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবা মথৌ তারকপনা মীয়াম য়াওনা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা অকক্লবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা তাই।

চিনানা মখোয়গী সিটিশিং শেমগৎপদা বোর্দরদা লৈবা টাউনশিংদা হেন্না মিৎয়েং থম্মী। ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লৈরিবা রুলিং অসিসু অমনি। হৌজিক মেইনলেন্দ চিনাদগী চাইনিজ লম কোয়বা কয়া ম্যান্মার ঙমখৈ য়েংবা লাকই। নাকল অমরোমদা মখোয়না ম্যান্মারগা ললোন ইতিক তৌবা য়ানবগী ফীভম অসুক্কী মতিক মওং মরিন তানা শেমগৎলি। চিনাদগী থাদোকখিবা পোৎখক্তা নত্তনা ম্যান্মাররোমদগী পুশিল্লকপা মমল তাঙবা জেমস ষ্টোন অমদি রুদ ফোসিল কয়া অতম্ননা লৈবা লাকপা চাইনিজশিংগী খুদোংচানবা মফম কয়া নিংথিজনা থেল্লবা মার্কেট কয়া থম্মী। মসিগী মথক্তা মেইনলেন্দ চাইনিজশিংদা মখল মখা কয়াগী ইথনিক কম্যুনিতিশিংগী য়ূমশা কৈশা অমদি চাকলেনগী মথেল লুকোয়শিং মহাও তংনবা মশীং থিঙমদ্রবা হোটেল কয়া ফমহল্লি। Moe-sot সু মসিগা ইমান মান্ননা জেমস ষ্টোন, জ্বেলরি শোপস অমসুং মফম অদুগী ইথনিক ফুরুপশিংনা পুথোকপা হেন্দিক্রাফটসকী পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংহন্দুনা টুরিষ্টশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লি। মতৌ অসিগুম্না ইন্দিয়ানা মণিপুরবু মখোয়গী লমগী শরুক অমনি হায়না খল্লবদি মোরে অসি ম্যান্মারগী মায়কৈ য়েংলগা টুরিষ্টশিংগী মরুওইবা লমদানফম অমা ওইনা শেমগৎফম থোকপনি অমসুং মেইনলেন্দ ইন্দিয়াদা ম্যান্মারগী ঙমখৈ য়েংনীংনবা পূক্নিং থৌগৎফম থোকই।

নোংথক্তা পাইদুনা মফম অমদা কোয়বা চৎপগা কংফাল লম্বীদা লম কোয়বগী মহাওগা মান্নদে। কংফাল লম্বীদা লম কোয়বনা লমলক্কী ফজবা, চীং-পাৎ-তুরেলগী নিংথিবা কয়া নক্লসা হকথেংননা উবনা লম কোয়বগী মহাও হেন্না ফংই। ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াদগী ম্যান্মার অমদি সাউথইষ্ট এসিয়া লৈবাকশিং য়াওনা চিনাদা কোয়বা চৎনীংবা মীওইশিং গভর্ণমেন্টনা ইনিসিএটিভ লৌরবদি অমসুং লম্বী থোংদা অপনবা লৈত্রবদি কংফাল লম্বীদা লম কোয়বা লাক্লবা মশীং হেনগৎলক্কনি। মসিগীদমক ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগা ফাওনরিবা মণিপুরগী লম্বী অসি ফহনবা তঙাইফদে। 'বুদ্ধ গয়া' অসি বুধিষ্টশিংগীদি য়াম্না মরুওইবা লাইফম অমা ওইবনা এসিয়ন হায়ৱে (এ ঐচ-১) গী মণিপুরগী শরুক অসি নিংথিনা শেল্লবদি লাই খুরুম্বা কয়া টুরিষ্ট ওইনা মণিপুর ফাওদুনা চৎকনি। মরম অদুনা লম কোয়বশিংগী নৎত্রগা লাই খুরুম্বশিংগী ওইবা গ্রুপ/গ্রুপকী চৎথোক চৎশিনগী মনীংতম্বা ইরায় লায়না ফংহনবগীদমক ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী য়ানবা অমা লৈহল্লকপা তারকপনা মণিপুর লৈঙাক্লা মসিবু টুরিজমগী শরুক অমা ওইনা নাকল অনীমক্তা তকশিনবা চঙই। মসিগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর মশামক্লা ম্যান্মারদা চৎতুনা লৈরিবা ফীভমশিং ফগৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবসু লৈগনি।

অহুমশুবদা, ইম্ফাল অসি জপানগী হিষ্ট্রিদা খ্বাইদগী চাউনা লান্দা মায়থীখিবা মফম অমনি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না লোয়না খঙনরবনি। মতম অমগী ইন্দিয়াদা জপানিজ এম্বেসেদর, ওইরমখিবা কেনজি হিরামাটসুনা কুমজা ১৯৪৪গী মার্চ থাদগী জুন ফাওবদা ইম্ফাল অমসুং কোহিমাদা শোক্লখিবা সেকেন্দ ৱর্ল্দ ৱারগী লানফমদা জপানিজ লান্মী ৭০,০০০ রোম শিখি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। হৌজিক 'মাইবা লোকপা চীং' দা লৈরিবা ৱার ম্যুজিয়ম অসি শেমগৎপদা মণিপুরবু মালেমগী লৈবাকশিংগা শম্নহনবা পামদবা ইন্দিয়াগী পোলিটিসিয়নশিংনা ৱার ক্রিমিনেলশিংগী মেমোরিএল ম্যুজিয়ম অমা থম্ফম থোকই হায়না অয়েৎপা মমাঙদা পীখ্রবসু হৌজিক্তি ইন্দিয়াগা জপানগা মরী ফনরক্লব্রা অমসুং মতম অমগী ৱার ক্রিমিনেলশিংগী ৱাফম লোইশিনখ্রবনিনা 'মাইবা লোকপা চীং' দা নত্তনা মরু ওইবা জপানিজশিংনা শিখিবা মফমশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মপা মপূশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকচনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা য়াগনি খল্লি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা সেন্তরগা য়ানবা থম্নদুনা মণিপুরদা জপানিজশিংগী মরু ওইবা থুংফম অমা ওইহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

হৌজিক চাইনিজ টুরিষ্টশিং মণিপুরদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী অয়াবা য়াওদনা চঙবা য়াদ্রিবা অসি লৌথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা অকনবা মিৎয়েং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা থমগদবনি। মরমদি চাইনিজ পিপলশিংনা মপান লমদা কোয়বা চৎপা অসি চাওরাক্লা ২০১৬তা ১২২ মিল্লিয়ন ওইখি। য়ু এন দব্লিয়ু টি ওগী এসিয়া-পেসিফিক এরিয়াগী রিজনেল দিরেক্টর Xu Jing না চাইনিজশিংনা লম কোয়বা চৎপা অসি 'ইভোল্যুসন নত্তে রেভল্যুসন অমনি' হায়না ফাওবা ফোঙদোকখ্রবনি। হৌজিক্কী মতমসিদা মালেমগী লম কোয়বশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লম কোয়রিবা চাইনিজশিংবু মণিপুরদা চঙহন্দনবা শন্বল অমা খাদুনা থম্বা হায়বসি মণিপুরবু মপান লৈবাকশিংগা শম্নহন্দনবা তৌবা মখলগী নমথাক কাঙলোনগী শরুক অমনি হায়বদা লাল্লোই। মরম অদুনা পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী ৱাফমনা তোঙান্না থল্লগা চাইনিজ লম কোয়বশিংবু মণিপুরদা মনিংতম্না চঙহন্নবা অতৈ লৈবাকশিংদা কোমথোক্লিবা অসিগুম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয়দসু কোমথোক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্লা কন্না তক্লগদবনি।

পূম্নমক অসি লৈদুনসু মণিপুর লৈঙাক্লা তৌবা ঙমদবা ফীভমশিং তশেংনা লৈরিবা অদু থৈদোক-ৱাহৈ ওইনা ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরদা তাইশিন্নরিবা অসি চুমদবা অমনি। মেইনলেন্দ ইন্দিয়া অমদি মপান্দগী চঙলকপা লমকোয়বা মীওই খরা ঙাকশেনবা অমসুং মখোয়গী খুদোংচারোইদবা মফমশিংদা তোঙান্না লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপদা মণিপুর লৈঙাক্লা ইরায় লায়না ঙম্ফম থোকই। মণিপুরদা লৈরিবা মশীং য়াল্লবা ইন্দিয়ন আর্মিশিং অমদি ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা লৈবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং অসিগী তৌবা ঙম্বশিং ময়াম্না লোয়না খঙনরবা ঙাক্তনি। লো এন্দ ওর্দরবু মণিপুরগী য়াওল ঈহৌগা মরী লৈনহন্দুনা লালহৌ অসিদা হকথেংননা মরাল শীনবা হোৎনরিবা অসি মণিপুর লৈঙাক্লা য়াওল্লোইশিংগী মায়োক্তা তৌবা প্রোপেগন্দা মখল অমনি হায়বসিসু ময়াম্না খঙনরিবনি। মণিপুরগী লালহৌবশিংনা মীরৈবাক্তগী চঙলকপা লম কোয়বশিং তাথি-তাওইনা তৌখিবা উখিদে, তৌরক্কদবসু মান্দে। মরমদি, মসিনা য়াওল ঈহৌ অসিগী মীংচৎ হেন্না থিগনি হায়বসি য়াওল্লোইশিংনসু খঙলমগনি খল্লি অমসুং টেররিষ্টকী থবক অমত্তা মখোয়নসু তৌরোইদবনি। লৈখিদ্রবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা রিশাং কৈশিংনা 'মণিপুরদা লৈরিবা লালহৌ অসি ইন্দিয়াদগী তোখাই তারে হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংবা মরম্না মখোয়বু থেংনবা হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী দায়ত্ব নত্তে ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগীনি' হায়না য়াম্না হৈ-শিংনা হায়খিবা অদু ঙসিদি লৈঙাক অসিনা অফবা পাউতাক ওইনা লৌশিনবা চুমগনি। নৎত্রবদি কা হেনজিনবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ অমদি লালহৌবশিংগী মায়োক্তা হকথেংননা তৌবা থবক-থৌরমনা লালহৌবশিংবু করিসু নত্তবদা চিংথোক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হকথেংনবা য়েক্লবা ওইহল্লোইদবনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না চেকশিন্না য়াওল ঈহৌ অসিবুসু য়েংলগা 'মীনসু য়াবা লাইনসু য়াবা' টুরিজমগী থৌশিল অমা শেম্নবা হোৎনবদা পূক্নিং চঙশিনবনা টুরিজমগী থৌশিলদা চাউনা মতেং পাঙগনি।

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১। মখাগী ৱাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) নাইনু-কিশি (খ) নৌহা-খোংফাং।

২। মৈতৈ নিংথৌ পোকপীশিংগী হৌরকফমগী ৱারী ইবা 'চাদ লাইহুই' কৌবা লাইরিক্তু কনানা ইরম্বনো?

৩। "মীগী মরোল লোনবদি/ঐগী অৱাবা ইজবদি/করম্বা ৱাহৈনা ফোঙসিগে।" পরেংশিংসি মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং করি কৌই?

৪। "নঙগী সমাজ, নঙগী ধর্ম্মদুনা ঐগী ইচাগী পুক পুবীবরা? সমাজ হায়বসিদি অশিবনি, থৱায় পান্দবনি।" পরেংশিং অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক 'অন্দ্রোগী মৈ' হায়বদু হিন্দীদা হন্দাকপদু কনাননো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**